# হুনর রঙ্গ মহোসবতা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী " স্বাচ ভরত"



য়ু পিগী অজমগর দিষ্ট্রিক্টকী, ২৪৬ হফিজপুর ( রিয়ানগর রোদ)তা হুনর ( সোসাইটি লিটরেরি কলচরেল) ওগর্নাইজেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মরিরকশুবা হুনর রঙ্গ মহোসব ( ওল ইন্দিয়া দ্রামা এন্দ দান্স কম্পিটিসন) দা মণিপুর দ্রামটিক য়ুনিয়ন ( এম দি য়ু) য়াইস্কুল পুলিস লেন, ইম্ফাল ব্রেষ্টৈনা বেষ্ট প্রদক্সনগা লোয়ননা অতৈ অতৈ এব্রার্দ কয়া ফঙলকখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী লাকপা সংস্থান ৮০ গী মথক্তা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী মীওইনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা টিম অদুনা উৎখিবা প্লে "স্বাচা ভরত"না মফম অদুগী দ্রামা জগোয়–ঈশৈবু পামজবা, য়াম্না থাজদনা তীনলল্লিবা মশীং য়াল্লবা ভবোকশিংগী মতাং চানা খুরকখিবা খুবাক মখোলনা ওদিটোরিয়ম অদু পূমনিল নীলখিবা অদু তারুবদা দ্রামা তৌজরিবা অর্ষ্টিসশিংদা অনৌবা ইথিল অমা পীবা ঙমখিবা অদুমক্তনা এম দি য়ুগী প্লে অদুনা এব্রার্দশিং ফঙলকখিবনি। হায়না টিম অদুগী ট্রুপ লীদর ওইবগা লোয়ননা মশামকসু মরুওইবা এক্টর অমা ওইনা শক্তম লাঙখিবা এম দি য়ুগী সেক্রেটরী টি প্রিয়োর্বতগা অখন্না উন্নবা অমদা ফোঙদোরকখি।

এম দি য়ুগী 'সব্রাচা ভরত' হায়রিবা প্লে অসিদা মরুওইবা শক্তম লাঙখিবশিংদি –

থম্বালজাউগী শক্তঃমদা টি প্রিয়োর্বতা, প্রোপাইটর য়াইমাগী শক্তমদা ঐচ দেবেন্দ্রো সিংহ, প্রধানগী শক্তমদা দব্লিউ বুধি সিংহ, ওটো দ্রাইভরগী শক্তমদা আরকে বিকোমজিৎ সিংহ, চাউবগী শক্তঃমদা দেভানকর অহনথেম, থোইবগী শক্তমদা গ্রিক্সর তোঞ্জমনি।

সনাহনবীগী শক্তঃমদা টি বিজিয়া দেবী, তম্ফাগী শক্তমদা টিঐচ সলিনি দেবী, অমুতোম্বীগী শক্তমদা এন নন্দীতা, ঙানবীগী শক্তমদা এস রঞ্জিৎতা দেবী, সনারৈগী শক্তঃমদা বীপ্রিয়া তোঞ্জম, য়াইমবীগী শক্তমদা এন প্রুনেশ্বরী দেবী, য়াইফবীগী শক্তমদা আরকে সিন্থোইহেনবী দেবীনি।

প্লে অসিদা বেক ষ্টেজ দা লৈদুনা অচৌবা থৌদাং



য়ারীবশিংদি – মুজ্যিকদা দেভাকর, ষ্টেজ এন্দ লাইটতা এল গোবিন্দ শর্ম্মা, কষ্টুমদা কুমারী এস রঞ্জিৎতা দেবী, মেক–অপদা আরকে বিকোম, স্ক্রিপনা মনি য়ুম্নামনি। প্লে অসিগী ডাইরেক্টরনা দব্লি বুধি সিংহনি।

ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম লু নান্না লৈরগসু মীওইবগী পূক্নিং ব্রাখলনা শেংদ্রগদি অফবা লু–নানবা সমাজ অমা ওইবা য়ারোই হায়বা থিমদা পুথোকপনি।

অমোৎপা লৈত্তবা, অকোয়বগী ফিভম লু–নাননা থম্বা হায়বগী পান্দমদা হৌদোকখিবা 'স্বাচা ভরত'কী নমাদা য়াইতোং ফমদোংবশিংনা শীৎ– শেংবা তৌশন্নবা, পূক্নিং ব্রাখল শেংদবনা থোলকপা ফত্তবা থৌওং কয়াদা চমনা শুজ নোমজদুনা হীঙজবা ইমুং অমা কাং– খোং চায়হনখিবগী ব্রারী পরিং অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোকপা দ্রামানি।

দ্রামা অসিগী ডাইরেক্টর দব্লি বূধিনা অইবা মনি য়ুম্নামগী নুংগী ওইবা ব্রাখল্লোন অদুমক ভাবোকশিংদা য়ৌহনবা ঙমখি। প্লে অসিদা শীজিন্নরিবা লোল অদু মণিপুরী লোল ওইদুনসু অয়েংবা ভাবোকশিংনা প্লে অসিদা ডাইরেক্টরনা শীজিন্নখিবা বোদি মুভমেন্ট, এক্সপ্রেসনা ইরায় লায়না অয়েংবশিংদা ঙসি–ঙসিমক ঐখোয়গী সোসাইটি অসিদা ময়োক্নরিবা খুদোং চাদবা কয়া অসি শেমদোকহনিংবগী, শেমদোকপগী তঙায় ফদবা অদু উৎখি।



লোয়ননা মৈতৈ নুপীশিংগী থৌনা লীংজেলবুসু প্লে অসিদা ময়েক শেংনা উৎলি। লোয়ননা ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম লু–নাননা থম্বদগীদি ঐখোয় মীওইবগী পূক্নিং ব্রাখল লু–নাননা শেংনা থম্বনা হেন্না মরুওই হায়বা অসি ডাইরেক্টর অসিগী হৈ শীংবনা অয়েংবশিং দা ইরায় লায়না ব্রাখল তাহনবা ঙমখি।

হৌখিবা ২০১৯গী দিসেম্বর ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা হুনর রঙ্গ মহোসব অদুদা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা বেষ্ট প্রদক্সন, বেষ্ট দিসিপ্লিন, বেষ্ট স্ক্রিপ, বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট ভিলয়ন এক্টর অমদি বেষ্ট এক্টরনচিংবা এব্রার্দ কয়া ফঙবা ঙমখি।

লোয়ননা ফেষ্টিবেল অদুগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা দান্স কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবা এম দি য়ুগী টিঐচ সলিনি দেবী অমদি বিপ্রিয়া তোঞ্জমনা মণিপুরী মোর্দন দান্স ( সোলো) দা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তারকখি।

লমদম অসিগী খ্বাইদগী লীরবা থিয়েটরগী সংস্থান অমা ওইরিবা এম দি য়ুনা চৎলিবা চহী অসিদা মমাঙঙৈ মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ক্লসিক প্লে কয়া অমসু ঙসিগী সংস্থান অসিগী অষ্টির্সশিংনা শক্তম লাঙদুনা উৎননবা পান্দম থম্বগা লোয়ননা সংস্থান অসিনা দ্রামা চাউখৎনবগী মখল মখা কয়াগী পান্দম থল্লীবা অসিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না অইবগী মায়কৈদগী থমজরি।

**ঐচ রাজেসে**


# মহৈরোইশিংগী খুদোল




*TITLE,: MONKEY*
**Princenanda Laishram**
Class: Nursery
Sec : B,
Roll No : 3
School :PREMIER ENGLISH ACADAMY



*TITLE,: FIGHTER JET*
**AK. Rohenjit Meitei**
Class: III
Sec : Sangai,
Roll No- 47
School:Nirmala House





*TITLE,: VOLCANO*
Wilson Potshangbam
Class:Nursery
Sec : A,
Roll No: 6
School:Pitambara English School







*TITLE : DOLL*
**Tomthinganbi L.**
Class:E W
Roll No-37
School:Little Millennium




*TITLE,:DOLL*
**Lairenllakpam Christina**
Class: III
Roll No- 2
School: PROGSESSIVE ENGLISH SCHOOL, LAMDING





*TITLE,: DOLL*
Jessica Takhellambam
Class:III
Roll No- 1
School:PROGRS-SIVE ENGLISH SCHOOL, LAMDING

*TITLE : PENGUIN*
**Gitriza Akoijam**
Class: III,
Sec : A
Roll No- 6
School: Ananda Purna School of Science



*TITLE : DEER*
**Gitriz Akoijam**
Class: III,
Sec : A
Roll No- 1
School: Ananda Purna School of Science






*TITLE : SCENERY*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: I
Sec : ,A
Roll No:10
School:UNIVERSAL STUDENT ACADEMY





*TITLE : UNIVERSAL*
**Ulen Mangang**
Class: III,
Roll No- 42
School: Hindi Higher Secondary School






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*